# করি হায়বনো, নরোল চুম্মু

## হোয়নি-মাইনি হায়দ্রগা অফবা ওইরক্লোইকো

সেন্ট্রেল লীদরশিং, দেল্লীগী লুচিংবশিং অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং-নায়েং, লোয়নরক্লিবা খূৎলোয়না অমসুং মখোয়গী কৈদা-লক্তাসিবু করিনো? ৱাহংসি মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা মীতৈ/মৈতৈশিংগী ৱাহংনি। অদুগা ৱাফমসি হৌজিক্তা হায়বদি কুমজা ২০২৬সিগী জন্যুৱারী থা লোইশিল্লমদাইসিদা খক্তা হংলকপা নত্তে। ৱাহংসিদি নহানৱাইদগী, 'আগে' দগী হায়বদি ওক্টোবর ১৫,১৯৪৯দা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিনবা হৌরকখিবগা ইকান-কান্নদনা, ইচোন-চোন্থদনা হংবা হৌরকখ্রবনি। ৱাহংসি মখোয়দা ওনশিন্দুনা অমুক-অনীরক খক্তমক য়াম্না তাঙনা হংলকপা নত্তে। থেঞ্জাং কয়ারক্তা মশীং খঙদনা হংলকখ্রবনি। লোইনা পোপথোক্লুদ্রবসু ষ্টেটহুদকী দিমান্দদা, মণিপুরী লোলবু কন্সটিট্যুশনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চলহনবদগী হৌরদুনা ইন্নর-লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহনবগী য়াওনা মণিপুর মীয়ামগীনি হায়বা করিনো দিমান্দ অমত্তং তাল্লকপদা হংদুনা লাকখ্রবনি। হৌজিকসু সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈদা হান্না এন আর সী চৎনহল্লু অমসুং মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব (এস টি) গী লিষ্টতা চলহল্লু হায়বগী দিমান্দশিং তানবা খোঙজংশিং চঙশিল্লিবনি। অদুগা ৱাহংসি অমুক্কা হেন্না কনশিন্না, খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা হংলক্লিবনা মে ৩, ২০২৩দগী মথোং খঙদবা, খোঙহাম-খূৎহাম্ফম নাইরক্তবদগী 'চৈনা খেৎলি' হায়নরকপা, মনা লাওরম্বশিংসিনা মখোয়গীদমক লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা তোঙানবা লৈঙাক (সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন) পীয়ু হায়দুনা মখোয়বু হংলাই ওইনা শান্নবিরক্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা চুমদ্রিং দিমান্দ তৌবগী মহুত্তা মখোয়গী মপূন্সিনা লৈরিবা ফাওবা মমঙদা ফাওবা ওইথোক্লরোইদবদা য়েহ্লৌমী মীতৈ/মৈতৈগী খোঙ্গুল মূখৎনবা থৌরাংলকপদগী ৱাহংসি হেন্না হকচিন্না হংনরকপনি। হৌজিক চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদসু লেপ্তুনা হংলি। পাউখুম পীরক্তবদগী ফংদবগী ৱানি। তমথীরবা লানসি থোরকপদগী হংনরক্লিবা ৱাহংদি য়াম্মী। ঈশৈ অমদা 'হংনীংবা ৱাহংদি ১০০নি' হায়দুনা শৈথাবা'মা য়াওবদুগুম্বনি। অশেঙবনি, য়াম্মী। নেশনল হায়ৱেশিংদা করম্বা মতমদা চৎথোক-চৎশিন য়াহনগদগে, আই দি পিশিংবু মশা-মশাগী ময়ূম-ইঙ্খোলদা হঞ্জিনহনগদগে, রেদ অমসুং বফর জোনশিং লৌথোক্কদগে হায়বা য়াওনা চীংনুং-মান্নুং অমসুং লৈকুৎ-লৈরাইদগী হৌরকপা, মপা-মপু মথোং খঙদবশিংনা ফম্বা চল্লগা হিপ্পসু চলহন্নবা তাল্লক্লিবা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' সিগী মতাংদনা করি ফিরেপ লৈরবগে হায়বা ৱাহংশিংসি ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা হংলক্লিবনি। অদুবু ৱাহংশিংসিগী চপ-চাবা পাউখুমশিং হৌজিক ফাওবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না য়াম্না ময়েক শেংনা পীরক্ত্রিবনি। মবুকচেল শেপ্পা অমসুং খোয়বা মীগী মচৎতৌনা মরোল-মরী নাখে শেংনা থোক্তনা য়ারক্তা মুরুম-মুরুম ঙংলগা লৈরক্লিবনি। স্বাইদা থারকপা মখোয়গী খাওবুনাই, খোঙবী-খোঙনাও খরনা রেদ অমসুং বফর জোন লৈতে হায়না মচিন চেন্থি থিরকপগী ৱানি। মসি লৈত্রগদি রিলিফ কেম্পতগী ময়ূমদা হোংজিনহনবা হৌরক্লবা মীওইশিংবু হৌজিক ফাওবা সিফাইনা পল্লোন শানা কোইশিল্লগা লানবনদৌনা ঙাক্লিবা করিগীনো হায়বনি।

হোয়, ফরেনে, হৌজিক চহী ৩ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী পুমচাই চাইদুনা লৈরক্লিবা ফীভমশিংসিগী মতাংদা মীয়াম্না হংলক্লিবা ৱাহংশিংসিগী পাউখুমশিংদি নখোয়না অনম কন্দুনা লোম্হোক্তবগুম লৈরক্তুনা পীরক্ত্রবসু অনৌবা লৈঙাক 'পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি' অমা শেমদুনা লৈহল্লকপগী মতাংদদি ওফিস, মফম, এক্ট-রুল অমসুং স্কিমনচিংবগী মমিং থোক-থোক ওন্থোকপদা হালেংদবা নখোয়গী নচিন-নরৈশিংদু ফোৎচিন-পুনশিন্দুনা লৈরনু। মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক'মা লৈহন্নি-লৈহল্লোই হায়বগী মতাংদা লৈয়েং ফাইগনু। নরোল চুম্মু। 'ঙানি-ঈশিং' নি হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা তোখাইনা হায়রকউ। ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী নখোয়না থল্লকখিবা 'প্রসিদেন্টস রুল' সিগী অহানবা থা ৬কী মতম মপূং ফাখিবদগী মখা তানা অতোপ্পা থা ৬ অমগসু শাংদোকহল্লকপনি। হৌজিক্তি অনৌবা চহী ২০২৬সিগী জন্যুৱারী থাসু লোইশিল্লক্লবনিনা পি আরসিগী অরোইবা নুমিৎ ওইরিবা ফেব্রুৱারী ১২, ২০২৬সু খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবনি। নুমিৎ ১৫নি রোমদমক ঙাইশিল্লক্লবা ফাওবদা নরোল-নরি লৌফম খঙদনা 'ঈক-আ, ঈক-আ' তৌদুনা তূল্লিঙৈদা মঙলাক্লবা মীওইনা মখোঙ-মখূৎ কাওদুনা, হাইদুনা লৈবগুম্না লৈথোক্লনু। পি আর থল্লকপদগী 'রাজনিতি' দা খৌগংনরক্লবা, লৈঙাক শেম্নিংবনা খ্রো-খ্রো খোৎলবশিংসিনবুদি পি আরসিগী মতম লোইদ্রিঙৈদা শোয়দনা শেমহনবীরক্লগনি হায়বা ৱাফমশিংনা লৈরক-কোন্সাং, খুল্লক অমদি চীংখোঙ চীংয়া ফাওবা পীক থল্লে। ৱাফমশিংসিনা চীংমায়শিংদা য়ৈরুরগা থক্তোরকপা খোঞ্জেলশিংনা ফাওবা অমুক্কা হেন্না পুমনিল নিল্লে। অদুবু পূন্নমকসিদি খূবাক নাম্মতং খুবনিনা নাশোন পীক্না ফাওবা মখোল থোক্ত্রে হায়বনি। থাজবা পীরক্লে অমসুং হায়রক্লে হায়রিসিবু নখোয় কনা-কনানা কনাদা হায়রকপনো? পুকমেন-পাওমেন্নরকপনো? নখোয়না ফম্মু ফম্বা, লেপ্পু লেপ্পা তৌরক্লিবশিংসি নখোয়নদি অচানবা ননাইনি খঞ্জদুনা হায়রম্ববুদি য়াই হায়ববু মখোয়সু নখোয়গী তাৎ-পাৎশিংদু শিৎ-নান্না লৌদুনা মচিন চেন্থি থিরকপনিনা মীয়াম্না থাজদ্রে। থাজদবগী মথক্তা অনৌবা লৈঙাক লিংলকপগী মোংলবা য়াওনা মমি অমত্তা উদ্রি হায়বনি। মরম অসিনা লৈবাকসিগী ঙম্বদগী ঙম্বা অঙম্বা নখোয় পূন্নমক্তগী নৎত্রবসু মরু ওইবা খরগী নচিনশিংদুদগী শেম্বুংমুক হৌনা 'লাউদ-এন্দ ক্লিয়র' দা অমুক্তদি নাখে শেংনা হায়রকউ হায়বনি। মসিগী পাঙ্গল-থৌনা ফাওবা লৈত্রদি নখোয়না মণিপুরবু নুংশি হায়রিবা, বিক্সিট ভারত ওইহনগনি, সব কা প্রয়াসকা হায়দুনা চিন্দোন-লৈতোনদা পক্লক্লিবসিবু কনানা থাজবিদোইনো? নত্তে, লৈবাকসিগী য়ুনিয়ন লৈঙাক খূৎপায়নরকখিবা অয়াম্বনা মণিপুরবু তাঙ্কক অমসুং থেঞ্জাং কয়াদা থাশিগী অহিংগী অমম্বা-অমুবা ফিজোলশিংতবু শেৎচিন-ইনশিনবিবগী ফীভমদতা ওইহল্লক্লিবা করিগীনো হংবনি। মণিপুরগী মীয়ামদদি মখা তানা 'চিন্দা রাম শোল্লগা ফিরৈদা হৈজ্রাং য়েপ্পা (মুখ মে রাম রাম বগল মেইন ছুড়ি) হায়বদুগী থৌওং চত্থরক্তবনা ফগনি। তশেংনা পি আর সিগী চহী অমগী মতম লোইশিল্লক্লবা মতুংদা 'জম্মু এন্দ কাশ্মীর' বু 'রি-ওর্গনাইজেশন এক্ট-২০১৯' হায়বা'মা তনশেম শেল্লগা খায়বোক তাহনখিবসিগুম্না তৌরক্লে হায়ব্রা? মথোং খঙদবশিংগী দিমান্দসি থেঙ্গু য়াইওইবনা থুম্না য়ৈশিল্লগা মহৌশাগী ঈং-চিকপা ফীভমদু হঞ্জিলহল্লক্লগা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি লিংগে হায়ব্রা, লিংলোই হায়ব্রা? অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ইরেঞ্জনা নাখে শেংনা হায়দোক-কাঙথোক্লসি হায়বনি। লৈবাকসিগী লুচিংবা ওইরগা মসিগী মনুং চল্লিবা মণিপুরদা কয়াম কুইনা কেকু লোৎপী শান্নখিগে হায়বনো? মীতৈ/মৈতৈসি শজিক চাদবনি। চাক চাবনি। শারিঙৈদা মফম চানা য়ৈহৌদ্রবদি পোল্লোইদা ফরক তানরক্কনি হায়বিহৌবনি। নরোল চুম্মু।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৮৩)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মরেম হাওবা খারম লোইচলপী। শলতং নারেং চীঙ। শেলজাও শেলপোৎ নমদা পোনা শেলখোমবী। মেনাং তলবা হামেং হোইনা খোমনা চিংনা। লোইয়া নিংথৌ চনু। মপাম লমলেল উচীৰা। খোইদোংপাল মিংকৌলম। হুইতাও নাংখোঙতেন লাকপীচা। পামেল উতুমকোল। নোংথিল খাঙলা লাকংবা তেকশোঙ লৌ। লেমলৈ ঙা শারেংখোইবী। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -(꯶꯸꯳)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯃꯔꯦꯝ ꯍꯥꯎꯕ ꯈꯥꯔꯝ ꯂꯣꯏꯆꯜꯄꯤ॥ ꯁꯂꯇꯪ ꯅꯥꯔꯦꯡ ꯆꯤꯡ॥ ꯁꯦꯂꯖꯥꯎ ꯁꯦꯂꯄꯣꯠ ꯅꯝꯗ ꯄꯣꯅ ꯁꯦꯂꯈꯣꯝꯕꯤ॥ ꯃꯦꯅꯥꯡ ꯇꯂꯕ ꯍꯥꯃꯦꯡ ꯍꯣꯏꯅ ꯈꯣꯝꯅ ꯆꯤꯡꯅ॥ ꯂꯣꯏꯌꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯅꯨ॥ ꯃꯄꯥꯝ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯎꯆꯤꯕ॥ ꯈꯣꯏꯗꯣꯡꯄꯥꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯂꯝ॥ ꯍꯨꯏꯇꯥꯎ ꯅꯥꯡꯈꯣꯡꯇꯦꯟ ꯂꯥꯛꯄꯤꯆꯥ॥ ꯄꯥꯃꯦꯜ ꯎꯇꯨꯝꯀꯣꯜ॥ ꯅꯣꯡꯊꯤꯜ ꯈꯥꯡꯂꯥ ꯂꯥꯛꯀꯪꯕ ꯇꯦꯛꯁꯣꯡ ꯂꯧ॥ ꯂꯦꯝꯂꯩ ꯉꯥ ꯁꯥꯔꯦꯡꯈꯣꯏꯕꯤ॥ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৫১ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মমাঙগী ইস্যুদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম, ইলেক্ট্রিক নীংথি-নুংঙাইনা ফংদ্রিঙৈ, অদুগা জেনরেটরসু লৈদি লৈরগা য়াম্না তাঙলিঙৈ মতমদা লীলা শান্নবদা শীজিন্নরম্বা ঙালহন্নবা মৈগী মতাংদা ৱাফম খরা থমজখ্রে। ঙসিদি খরা হেন্না মপূং ফানা কমাইনা মৈ থাল্লম্বগে, কমাইনা লীলা শান্নরম্বগে, লীলা শান্নরিঙৈদা মৈ থাও লোইথোকখিদুনা মুৎখিবদা কমাইনা তৌবগে হায়বদু হায়রপ নীংশিং পোরোল হাংজগে। মৈ হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা চঙদবা য়াদবা অমনি। করিগুম্বদা নুংথিলদা লীলা অদুম শান্নে। মপূং ওইনা মীয়াম্না য়েংবা পাম্নরিবদি নুমিদাংদা মৈগা থাল্লগা, ময়াম্না ইকোয় কোয়না ফম্মগা লীলা শান্নবদু য়েংবা পাম্নবনি। মতমদুদা ইলেক্ট্রিক ফংই-ফংদে হায়বগী কৈসু থোইনা নুংশা থিনীংঙাই লৈতে। করিগুম্বা ইলেক্ট্রিককী বল্ব অমা/অনী থাল্লগা লীলা শান্নবসু অদুম তৌরকই। কোন্নথংদা ট্যুব লাইট অমা/অনীগা থাল্লগা লীলা শান্নরকই। খরা লৈরগদি মৈসি ফজনা থাল্লে। হৌজিক্তি লীলা শান্নবদা মৈগী অৱাবা কৈসু লৈতে। মতমদুদদি ইলেক্ট্রিক থানবদা মৈগী ফীভম য়াম্না ফত্তবনিনা, লীলা শান্নরিঙৈ মতমদা মৈ লাকখিদবদগী লীলা কায়খি। ফনা কুইনা হাফলেম্প কোইথি থিন্নরগা, কেরোসিনগা হাপ্পগা মৈদু থানগৎলগা লীলা অমুক মখা চত্থবদা পুঞ্জাই হেন্না চঙনরিবনি। কন্না শান্নখৎলকপা মতমদা লীলা তঞ্জাইগা চল্লকপদা ইলেক্ট্রিক লাক্তদনা মৈসি পুম্মম মমখ্রে। তিল্লিবা মীয়ামদুনা ৱা-ৱা লাউনদুনা অমুক্তোইবা কুম্মৈ তারে। লীলা শিল্লিবশিংনা কোইচেন চেন্নদনা হাফলেম্প ৱাইরগা মদু অমুক থাগৎলগা ওন্থোক্না ৱানা মৈ থাল্লগা লীলা মখা চত্থরম্মী। মৈদু থানবা ঙাইবদা মথংগী শোগী মতম হেন্দোকখিদুনা মীৱা তানবসু কোঙ্গাই অমা য়াওরিবনি। মদু মথং শোদুগী লীলা কৌরিবদুনদি ঐখোয়না মৈ মম্বগী থেংনরিবা অৱাবদু খঙবা নত্তে, অদুনা ঐখোয়দা ওইনা ওনশিল্লগা শাওদৌরিবনি। ঐখোয়না অশেংবা ৱাদু হায়রফাওবদা থাজবীবা নত্তে। লীলা পার্টি হায়সিদি ঙায়োনবীনা ৱাশকপদা খোংবান অমা কাল্লগা কোকই হায়গুম্না খন্নবীরম্মীবনি। লীলা পার্টিসি ফনা অচুম্বা হায়রসু কয়া থাজবীদে। লীলাগী মীনি হায়না তৌরিরা নৎত্রগা ওইদবা য়াম্না ঙাঙলম্বগীরা খঙদে। হোয় ওইদবসু ফনা ফজনা মরক-মরক্তা মান্না-মান্না ঙাঙবনি। ঙাঙদবা য়াদবনি। ঙাঙদ্রে মীৱা, ঙাঙলে মীৱা।

মতমদুদা ঐখোয়না লীলা শান্নরকপসি পেট্রোমেক্স হায়দনা অমা লৈ। য়েংবদা অদুম ফজবনি। থাউ হাপ্পীবা মবুক্কদু চফুদৌনা পোংথোক্লদনা মঙক্কা চেংশিল্লদনা, থাও হাপ্পীবা টেঙ্কিদুগী হেক মখাদা মিংশেল ফজবা অমা খোইরা য়ানবদৌনা য়াল্লগা য়াম্না রাশি লৈ। মদু অমা থাল্লবা য়ারে। খরা লৈরগদি অদুগুম্বা পেট্রোমেক্সতু অনীগুম্বগা থাল্লদি লীলাদু য়াম্না শেল চঙনা ফজনা শিল্লি হায়না হায়নৈ। লীলা য়েংবা লাকপশিংনা খিত্তং থেংথরকপা মতমদা ৱা ওইনা হেক হায়নবসি, লীলাদি ফনা নুংঙাইবনি অদুবু মোইগী মৈদু য়াম্না নুংঙাইতে, য়াম ঙান্দে হায়দনা হায়নরিবনি। ঐনা পঞ্জখ্রিবা পেট্রোমেক্স হায়রিবসি ঐখোয় ইন্দিয়াদগা শাবা নত্তে। শারম্বা য়াই অদুবু পেট্রোমেক্সতুদা মেদ ইন জর্মনি হায়না থাই। মসি অদুম ফজনা ঙাল্লি। নুংশিৎ ফজনা হানবা অমা মথৌ তাই। নুংশিৎ খরা তাগনবা, নুংশিৎকী মরীদা হোবগুম্বা লিক মচা অমা ওইবদা ঙাইহাক লৈতনা নুংশিৎ হান্দ্রদি মৈদু মঙাল থোকপদি লায়রদনা মৈরি ওইনা চাকখৎলকই। লীলা শান্নরিঙৈদা মৈরি ওইনা থোক্লক্লবা, ভাবোক মৈ হৌখৈ শাওরনি। অদুগা মচিন খাম্বা ঙমদদনা লাউথোরক্কদৌরিনি "মৈসি খরা ঙানবা, বেরা তৌদবা অমা থানবা য়াদ্রো, লীলা সুক নুংঙাইরকানসিদা" হায়না। অমনবু লাউবা হৌখ্রদি মৈতৈ মচা হায়রেদনা, উরাও থরাও তৌদুনা লীলা কৌরিবা নৎত্রগা শিল্লিবা কাঙবুসি মকোক মমৈ খঙবা নত্তে। অদুগা য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা, লীলাগী মরক্তা মৈসি নুংশিৎ খরা ময়েং তারক্লে হায়বসি মৈদু ঙানবগী চাং হন্থরকপা, উবদা অদুম খঙই। অদুনা মৈ নুংশিৎ হান্নবা মী অমা লীলা হৌদ্রিঙৈদা মখোয় মশেল থৌরাং তৌদুনা লৈগনি। মৈ নুংশিৎ হানগদবা মীদু লাপ্না চথোকপা য়াদে। অনকপদা নৎত্রগা মমাঙদা ফল্লগা লীলা য়েংগনি। মৈদু হেক বেরা তৌরকপদা মানা চেনশিল্লগা থৌরী চিংথরগা নুংশিৎ হানগদৌরিবনি। নুংশিৎ হানগদৌরিবা মীদু থাওমৈ হায়দি পেট্রোমেক্সতুগী মরমদা হায়রপ খঙবা অমা মথৌ তাই।

কনাগুম্বা অমনা হেক্তা চঙশিল্লগা থাওমৈ নুংশিৎ হানবসি তৌনদে। মরমদি হৈত্রবনিনা অয়েংবশিংদুনা অমনা অমা তাকশিল্লক্কনি, অমনা অমা লাউশিল্লক্কনি, মা হুমাং অনপ্পী কাদুনা মকোক ঙাওদৌরিবনি। অদুনা মরম ওইরগা থাওমৈ নুংশিৎ হানবা চংবীনবা মী কনাসু লৈতে। ঐখোয় লীলা পার্টিসু থাওমৈগী ফীভমসি মুন্না খঙবা অমা মথৌ তাই। লীলাগী সিরিয়স ওইবা মতাং য়ৌরক্ত্রিঙৈ, সিন অমগুম্বা ৱাৎলিঙৈদা লীলা কৌরিবা মীদুদা ঐখোয়না হায়দৌরিবনি। থাওমৈসি নুংশিৎ হান্দ্রসু য়াগদ্রা, ঐখোয়গী অরুবা সিন য়ৌরক্কদৌরে, হোরেন মদুগী মতাংদুদা নুংশিৎ হানবা চঙবা ফরক তানি, অদুনা হান্দৌ ওইরদি হৌজিক ওইনা হানবীহৌরো হায়গদৌরিবনি। অদু তাবদগী নুংশিৎ হাঞ্জিনহৌরিবনি। লীলা শান্নরিঙৈদা নুংশিৎ হানবসি ময়াম লাংখৎনরকই। অদুনা ঐখোয় লীলা শান্নবদসু য়াম্না নুংঙাইজদে। অদুনা সিরিয়স ওইবা মতাংদদি য়ারিখৈ নুংশিৎ হান্নদনবা ঐখোয়না শিলহৌবা অমা মথৌ তাই। সিনা লীলা ময়ায়গী ৱানি। লীলা শান্নরিবগী মতাইদদি কমৌদরি। লীলা ফি শেৎফমদা শুংশোয় শোয়দনা হাফলেম্প অমদি চংই। মদুসু ষ্টেন্দবাইনি। ময়ায়গী মৈদুনা করিগুম্বা বেরা হেক তৌরক্লবা লীলা ফি শেৎফমদা থাল্লিবা হাফলেম্পতু খুদক্তা পুশিল্লনি। অদুগা ফি শেৎফমদনা পুম্মম মম্মনি। অদুনা ইমুংগী লেনটর্নগুম্বা নৎত্রগা পালংগুম্বা থাল্লগা লীলা ফি শেৎলি। খরা লৈরগনা কেন্দলনা মহুৎ শিল্লগা থানবসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা ঐখোয়না খুদক্তা থাওমৈ পীয়ু হায়বদা ফংবা নত্তে। মরমদি ইমুংগী মী খুদিংমকসু লীলা য়েংবা লোইনা থোক্লখ্রবনিনা অচৌবা খুদোংচাদবা অমা অদুম মায়োক্লে। অদুনা ঐখোয়গী বেগতা কেন্দল পেকেট অমা অদুম হাপ্পগা পুদুনা চৎলি মদু খুদক্তা হেক্তা পুথোক্লগা ঐখোয়গী শীজিন্নগদবদু লায়না শীজিন্নবা য়ানবগীদমক্তনি।

মসি নত্তবা শুমাং লীলা হায়বসিনসু অয়াম্বা ঐখোয়না লীলা শান্নরকপসি শুমাংদা ওইনা শান্নরকই। শুমাং খরা চাউবা, য়ূম অনী-অহুমগী অপূনবা শুমাং য়াম্না লৈনরম্মী। মদুদা মমাঙ শঙ্গোই, মখা শঙ্গোই, অৱাং শঙ্গোই লৈনৈ। অদুবু য়ূমদুগী শুমাং ফাওনা লৈনদে। মতাই মতাইদা ওইনা শানৈ। মরমদি শুমাংদু থৌদোক অমা থোকপদা শীজিন্নবদা খুদোং চানবগীদমক্লি হায়না তৌনরমদবা মাল্লি। হৌজিক্কানদি য়ূম অমগা য়ূম অমগা ইশম শম্নৌ য়াদ্রে। তোঙান তোঙান লৈনবগী ৱাখল্লোন্দা শম্বল খাজিন্নবা, ৱাংনা ৱাংনা ৱাল খাগৎনরকপা উবা ফংলে। হোয় ইম্ফালদগী খিত্তং হাইদোকপা মফমদগাদি অদুগুম্বা মক্তি কা হেন্না লৈতবগুম তৌই। লৈতবনা ফৈকো ময়াম। মসি নুংশিনবা য়াম্না শিৎলি। ঐখোয়গী য়ুনিটিদা মসিনা য়াম্না ফরক তাহল্লিবনি। অদুনা পূন্না পূন্না লৈমিন্নবগী, পূন্না খন্নমিন্নবগী থবকলোমদা মায় ওনশিনবনা য়াম্না হেন্না ফৈ হায়না ঐদি খঞ্জে। ঙসিগী লীজরক্লিবা ৱারীরোমদা মখা চত্থরকপদা লীলাগী ফি শেৎফম, লীলা শান্নফম ময়ায়দো অদুখক্তনি নুমিদাংদুদা মৈনা ঙানগদৌরিবসি। অতৈদি পুম্মম মমদৌরিনি। কনাগুম্বনা লীলা শান্নদৌরিবা শুমাংদুগী থোঙ্গালদা পেট্রোমেক্স থানবগসু য়াওই। অদুবু মবুক ফত্তবা মী লৈবনিনা লীলা কন্না শান্নরিঙৈদা থোঙ্গালদা থাল্লম্বা থাওমৈদু মুত্থৎলগা পুরগা চৎখিবদগী মীগী ৱায়রকপা থাওমৈদু শিংনবগী ৱাফমগসু ঙল্লিঙৈ মতমদা তাজখি। অদুনা থোঙ্গালদা ঙাইহাক থাল্লম্লগসু লীলা হৌরকপদদি মনুংদা পুশিল্লি। অদুগা লীলা লোইরকপগী ময়াম থোকপদু উনবা অমুক পুথোক্লগা ঙালহনবা য়াম্না চৎনৈ।

ঐখোয়গী মতমদা থেংনরকপা খরদু চাওরাক্লা ময়ামদা নীংশিংবা ওইনা থমজবনি। মসি হৌজিক্কী মীরোলসিনদি তশেংনা ৱাখলনা ফাওবা লামশিন্দবা থৌদোক ঙাক্তা ওইনা থোক্লিবনি। ময়ামদা ঙাইহাক নীংশিংজনবা হায়দুনা নীংশিং থোঙনাওসি হাঙজবনি। ●

# চাইনাগী মিলিটরি ড্রিলদা টাইৱানগী মীয়াম্না করি খল্লি

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৫৫
ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

হীরমসি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগদি থোইদোকপা মরী লৈনদে হায়বা তাই। অদুম ওইনমক ঐহাকপু শক খঙবীবা, মহৈ তল্লিবা মৈতৈ/মীতৈ ইমুংশিং অমদি মালেমগী মপাউবু খঙজনীংবা কয়াদি শোয়দনা খঙনীংলমগনি খল্লি চাইনা টাইৱান অনীগী মরক্তা লৈনরিবা হৌজিক-হৌজিক্কী ফীভমসি। হীরমসি চমম্নবা কয়া লৈবনা খঙজিনবদসু কান্নগনি খল্লি।

হৌজিক-হৌজিকসি ম্যেনলেন্দ চাইনানা টাইৱানগী অকোয়বদা ঈশিংদসু, নোংথক্তসু অমদি টাইৱানগী মায়োক্লবদা লৈরিবা চাইনাগী মফমশিংদসু "Justice Mission 2025" হায়না কন্না চত্থরি মিলিটরি ৱার ড্রিল। Justice Mission 2025না তৌরিবসি লানগী শেম শাবগুম্বনি পিপলস লিবরেশন আর্মিনা।



অসিগুম্বা য়াম্না চাউবা মিলিটরি ড্রিল তৌবসি হন্দক্কী জষ্টিস মিশন অসিনা নিপাল্লকশুবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা থম্নরি। অসুম্না ম্যেনলেন্দ চাইনানা অচৌবা মিলিটরি ৱার ড্রিল তৌবা হৌখিবসি চহী ৩গী মমাঙদগীনি। অহানবা ওইনা কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ৫-১১ ফাওবা মিলিটরি ড্রিল চত্থখি পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা। হায়রিবা অচৌবা ৱার ড্রিল অদু মতমদুগী য়ু এস এগী House Speaker, Nancy Pelosi না চাইনা, য়ু এস এ অনীগী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী ওফিশলশিংনা টাইৱানগী অৱাংবা থাক্কী ওফিশলশিংগা ওফিশল ওইনা উন্নদবা হায়না য়ানখিবা (U.S.-China Joint Communiqués - 1972, 1979, 1982) অদু থুগায়দুনা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট Tsai Ing-Wen অমদি অতৈ হায় রেঙ্কিংদা লৈবা ওফিশলশিংগা, লুচিংবশিংগা উন্নৈ হায়বগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবনি। হন্দক্কী জষ্টিস মিশন ২০২৫ অসিসু মদু মঙাই।

হন্দক্কী জষ্টিস মিশন ২০২৫ মিলিটরি ড্রিল পাঙথোক্লিবা অসিগী মরম্না য়ু এস এনা টাইৱানদা USD 11 billion হেনবগী fighter jets F16 66 অমদি অতৈ দিফেন্স সিষ্টমশিং লৈবগী য়ান্না খূৎয়েক পীনখিবা অদুগী মায়োক্তনি। মসিসু চাইনা-য়ু এস এ অনীগী মরক্তা টাইৱানদা খূৎশু-খূৎলায় য়োনবগী চাং তপ্না-তপ্না হন্থহনবা হায়না য়ান্ন-খূৎয়েক পীনখিবা "The August 17 Communiqué (1982)" অদুগী মায়োক্তা হেন্না ৱাংবা শেনফম-USD 11 billion গী খূৎশু-খূৎলায় টাইৱানদা য়োনশিনবগী মায়োক্তা পাঙথোকপনি।

করিগীদমক টাইৱানসি চাইনাগী শরুক অমা ওইরিবনো (China = P.R.C. + R.O.C.), করিগীদমক টাইৱাননা মনীং মখা তম্না খূৎশু-খূৎলায় লৈবা য়াদ্রিবনো অমদি করিগীদমক য়ু এস এ অমদি টাইৱান অনীগী মরক্তা হায় রেঙ্কিংদা লৈবা ওফিশলশিং অমদি পোলিটিকেল লুচিংবশিং ওফিশল ওইনা উন্নবদা অথিংবা লৈরিবনো হায়বসি চাওরাক্লা খঙনবা টাইৱানগী অমদি টাইৱানবু চহী কয়া কয়া ঙাক শেন্দুনা, শেমগৎতুনা লাক্লিবা দি রিপব্লিক ওফ চাইনা অনীগী পুৱারী শল্লপ্পা খঙমিন্নসি।

টাইৱানগী হিষ্ট্রিদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা লাক্তুনা ঈথৎসিদা খুন্দাবা হৌখিবা কাঙলূপসি সাউদর্ন চাইনাদগী লাকখিবা indigenous Austronesian মীওইশিংনি হায়বগী ৱাফম আর্কিওলোজিষ্টশিংনা থল্লি। Austronesian শিং অসিগী মতুং চহী ৫,৫০০ মুক্কী মতুংদা Portuguese শিংনা (১৫৫৪) অহানবা ওইনা ঈথৎ অসিদা লাকখি হায়বগী পুৱারী ময়েক শেংনা লৈরি। Portuguse শিং অসিননি ঈথৎ অসিবু Ilha Formosa (Beautiful Island) হায়না মিংথোল্লম্বা।

Portuguse শিং অসিগী মতুং তারকপদা দটচ লল্লোনবশিং লাক্তুনা "the Dutch East India Company" হৌদোক্লম্মী (১৬২৪)। মসিগী মতুং তারকপদা স্পেনিশশিং লাকখি (১৬২৬-১৬৪২)। য়ুরোপিয়নশিংসি কুইনা লৈরমদে।

য়ুরোপিয়নশিং অসিগী মতুং তারকপদদি চাইনাদগী মশীং য়াল্লবা Han Chinese শিং লাক্তুনা খুন্দাবা হৌখ্রে। Han dynasty গী মতুংদা Qing dynasty লাক্লে। Han dynasty দগীনা (১৬৬২) Qing dynasty (1895) ফাওবসি ম্যেনলেন্দ চাইনাদগী লাকখিবা চাইনিজ ঙাক্তনি।

অদুম ওইনমক জপাননা Qing Dynasty বু মায়থীবা পীদুনা ঈথৎ অসি ১৮৯৫তগীনা ১৯৪৫ (চহী ৫০) ফাওবা জপানগী মখাদা লৈহনখি। সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারদা জপান মায়থীবা নংবদগী টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসি দি রিপব্লিক ওফ চাইনাদা অমুক শিন্নখিবনি। দি রিপব্লিক ওফ চাইনিজ ম্যেনলেন্দ চাইনাদা কৌমিন্তাংবু লুচিংখিবা Dr. Sun Yat-Sen না শেমখিবনি ১৯১২দা।

১৯১২দগীনা ১৯৪৯ ফাওবদা চাইনাগী মফম অয়াম্বা দি রিপব্লিক ওফ চাইনাগী মখাদা লৈরম্মী। মতমদুদা রিপব্লিক ওফ চাইনাগী পাক চাউবসি ১১.৪ স্কৱার কিলোমিটর ওইখি অদুগা মীশিংনা ৫৪১ মিল্লিয়ন ওইখি। Dr. Sum Yat-Sen গী লুচিং মখাদা দেমোক্রেসি চৎপা পাম্বা দি রিপব্লিক ওফ চাইনা অমদি চ্যেরমেন মাওগী কম্ম্যুনিষ্ট লৈঙাক অনীসিগী মরক্তা সিভিল ৱার থোরক্তুনা দি আর ও সী মায়থীবা নংখি অমদি টাইৱানদা চেল্লক্তুনা লৈঙাকপা হৌখিবনি ১৯৪৯দা।

তশেংবগীদি দি রিপব্লিক ওফ চাইনিজ মপাঙ্গল য়াম্না কল্লম্মী লোয়ননা য়ুনাইটেদ নেশন্সকী মেম্বর অমসু ওইরম্লিবনি। অদুবু চ্যেরমেন মাওগী লুচিং মখাদা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা মপাঙ্গল কনখৎলকপদগী য়ু এস এনা ইনফ্লুএন্স তৌদুনা দি রিপব্লিক ওফ চাইনা লৌথোক্লগা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাবু য়ুনাইটেদ নেশন্সকী মেম্বর অমা ওইহনখিবনি ওক্টোবর ২৫, ১৯৭১দা।

শল্লপ্পা পুৱারী অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি দি রিপব্লিক ওফ চাইনাসি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসি খক্তা নত্তে হায়বদো। দি রিপব্লিক ওফ চাইনাগী কন্সটিট্যুশনদা ম্যেনলেন্দ চাইনা পূম্বা য়াওরি। মসিনসু শেংনা তাক্লি মদুদি দি আর ও সীদগী টাইৱান হায়বা মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমা লৈতে হায়বদো।

হোয়, টাইৱানগী তোঙানবা লৈঙাক লৈজে, আর্মি লৈঙাক, কোনুং লৈজে অদুম ওইনমক টাইৱানসি দি রিপব্লিক ওফ চাইনাদগী নীংতম্লে হায়না লৌবদি লাল্লি। দি রিপব্লিক ওফ চাইনাগী কন্সটিট্যুশনদা টাইৱানসি প্রোভিন্স অমা ওইনা য়াওরম্বা অসিননি টাইৱানবু তোঙান্না নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইগদবনি হায়না চহী ১৬ হেন্না লৈঙাক্তুনা লাকখিবা দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টিনা দি রিপব্লিক ওফ চাইনাগী কন্সটিট্যুশন অসিবু শেমদোকপা ঙমদ্রিবা অদুগা নীংখা তল্লে হায়না লাউথোকপসু ঙমদ্রিবা, ঙমসু ঙল্লোই।

অদু ওইরদি রিপব্লিক ওফ চাইনা অমদি পিপলস রিপব্লিক ওফ টাইৱান অনীসিগী মরীসি করিনো হায়বগী ৱাহং অমা লাক্লি। কুমজা ১৯৯২দা য়ান্নখিবগী মতুংইন্না লৈবাক অনী অসি পূন্না চাইনা হায়রিবা লৈবাক অসিগী মখাদা ৱান কন্ত্রি-টু সিষ্টমস হায়না লৈরকখিবনি। লৈবাক অনীসিদা লৈরিবা মীওইশিংসি ৯৭%দি চাইনিজ ঙাক্তনি অপীকপা কাঙলূপ খরা নত্তনা। খেন্নরিবা হায়ববু লৈঙাক অমনা দেমোক্রেসি চৎপা অদুগা অমনা কম্ম্যুনিষ্ট চৎপা অসিখক্তনি।

মরম অসিননি টাইৱানদা লৈরিবা মীচম মীয়াম্না চাইনানা লান্দারক্তুনা অশোক অপন য়াম্না য়াওগনি হায়বগী মীপাইবা অমদি অকি-অখং অমত্তা লৈত্রিবা। অদুগা মপাঙ্গল কল্লবা চাইনানসু টাইৱানগী মীচম মীয়াম অমত্তা অশোক অপন নংহন্নীংদে। করিগুম্বা মিপাইবা, অকিবা অমদি তশেংনা টাইৱান খক্তং নীংখা তম্বা পাম্বা ওইরল্লবদি নহান্না মীচম মীয়াম থোরক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং কয়া চঙশিল্লমগনি অদুবু ঙসি ফাওবদা মীওই অমা ফাওবা থোরক্তে। সিনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি চাইনাগা টাইৱানগসি অমত্তনি অমদি খায়দোক্লবা য়ারোই হায়বদো। সর্ভেগী মতুংইন্না চাদা ৭০ হেনবদি টাইৱান খক্তা নীংখা তম্বসি পামদে লমদম অনীসিগী মরক্তা নুংশিনদনবা ব্রেন ৱাশ তৌখ্রবা মীওইশিং অমদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপা খরা (২৫-৩০%) নত্তনা। পূনশিনবনা য়াইফরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।